# মণিপুর রেদ ইন্দিয়ন নেভিগী মখূৎতা মায়থীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৫ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ফুটবোল এগজিবিসন মেটচ অমদা ইন্দিয়ন নেভিনা মণিপুর রেদপু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ইন্দিয়ন নেভিগী শান্নরোয়শিংনা শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ বোল হেন্না পায়দুনা খূদুম চন্না শান্নখি। বিভাফি থাপানা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখ্রবা মতুং ষ্টেটকী নুপামচাশিংনা গোল হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা এটেক চথখি। অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখি।

টিম অনীনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংনরবসু অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী ইন্দিয়ন নেভিগী টিমনা মণিপুর রেদ টিমবু ১-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি জয়সিং মোন্সাংনা ইন্দিয়ন নেভিগী পিন্টুমানাটা অমদি বিষ্ণুশান্নবগী ৪৪ অমদি ৭৫ শুবা মিনটতা অদুগা মণিপুর রেদকী রোনাল্ড শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখিবনি।

মেটচ অসিদা এল রোজিট অমদি দব্লিয়ু স্প্রিংসননা এসিষ্টেন্ট রেফরি ১ অমদি ২, সী ঐচ শ্যামসননা ফোর্থ ওফিসল অদুগা এস জেমসকুমারনা রেফরি এসেসর অমদি মেটচ কম্মিস্নর ওইনা শরুক য়াখি।

এগজিবিসন মেটচ অসি তোঙান-তোঙানবা মীওই ১,৫০০ রোম্না মীৎয়েং তাখি।

নীংশিংবা য়াবদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মণিপুর রেদকী স্কৱাদ লাউথোকপদা য়াওখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা নেরোকা এফ সীগী থোমাস সগোলশেম, এস এস য়ুগী সিদার্থ রানা, মুভানলাই এথলেটিক্সকী ঙমসাংলেনা হাওকিপ; দিফেন্দরদা নেরোকা এফ সীগী মাইবম দেনি, নিসাগী ইরেংবম পুন্সিবা, ক্লাসা এফ সীগী শান্তা য়ুম্লেম্বম, নেসুগী ষ্টেফেন ফৈরোইজম, দি এম রাওগী মনোহরময়ুম কবিরাজ; মিদফিল্ডরদা দি এম রাওগী কিষন থোঙাম, কে আই ৱাই সীগী পি এম রাকেভৈচে, কে আই ৱাই সীগী রোনাল্ড সাইখোম, এ এফ সীগী লোয়াঙম্বা মৈতে অকোইজম, ট্রাও এফ সীগী দেনিশ অরিবম, য়ু এস এগী ৱাই সোয়া, রাওগী জ াংজাগিন; ফোরৱার্দতা য়ু এস এগী শমজেৎশাবম বোই, কে আই ৱাই সীগী ঙাংবম নাওচা অমদি ট্রাওগী থোটকাদরনি।



এন আই এফ এফ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# গোল্ডন ইগল এফ সী অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৫ (ঐচএনএস):
নিলাকুঠি ফুটবোল ফাউন্দেসন (এনআইএফএফ)কী স্পোন্সরশিপ মখাদা নিলাকুঠি য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা অহুমশুবা এন আই এফ এফ ট্রোফি ৯-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি নিলাকুঠিদা লৈবা এন ৱাই সী গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা গোল্ডন ইগল এফ সীনা কোইরেঙ্গৈ এফ সীবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১৬না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারি।

গোল্ডন ইগল এফ সী অমদি কোইরেঙ্গৈ এফ সী অনীনা শান্নখিবা মেটচতা গোল্ডন ইগলগী লনচেনবনা শান্নবা হৌরকপগী ১২ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা অবুংঙোনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা গোল্ডন ইগলগী অনীশুবা গোল চনখি। উমাকান্তনা মখা তানা শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি।

চিঙ্খেনা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা কোইরেঙ্গৈগী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়ননা গোল্ডন ইগলনা কোইরেঙ্গৈ এফ সীবু ৩-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা গোল্ডন ইগল এফ সীগী খূদুম চনবা মখা চত্থরকপা ওইনা রোনাল্ডনা শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা জোসি সগোলশেম অমদি এস প্রেমকুমারনা রেফরি অদুগা টি ঐচ গোপেননা ফোর্থ ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ইম্ফাল ইষ্টকী অধক্ষ্য পি বিমোলা, নিলাকুঠি গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান টি ঐচ রোকশিনী অমদি ইবোমচা লাংপোকলাকপমনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবদা গ্রুপ দিগী আর এফ সী অমদি শান্তি এফ সী নম্বোল নুংথিল পুং ২দা থেংনরগনি। অনীশুবদা গ্রুপ বিগী পাওনা বজার এফ সী অমদি কৌব্রু এফ সী নুংথিল পুং ৩দা লম্বা তৌনরগনি।



# ইন্দিয়াগী হান্নগী ইন্টরনেসনল সয়দ সাবির পাশা এ আই এফ এফকী টেক্নিকেল দিরেক্টর খনখ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ৫ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না ইন্দিয়াগী হান্নগী ইন্টরনেসনল সয়দ সাবির পাশাবু এ আই এফ এফকী টেক্নিকেল দিরেক্টর ওইনা খনখ্রে। মহাকপু পোজিসন অসিগী ফুল টাইম বেসিসতা খনবা অসিনা অহানবা ইন্দিয়ন ওইরি।

এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট কল্যান চোবেনা ফোঙদোকখিবদা, পাশা অসি চহী কয়া দোমেষ্টিক অমদি ইন্টরনেসনল প্লে কয়া শান্নরকপদা নৎতনা কোচকী এক্সপরিয়েন্সসু লৈরবা মীওইনি। লৈবাক অসিগীদমক মতম শাংনা কথোক্তুনা লাক্লবা ইন্দিয়াগী হান্নগী ইন্টরনেসনল অসিনা ইন্দিয়ন ফুটবোলবু মাংলোমদা পুখৎনবা ফেদরেসনদা য়াওরকপা অসি ঐখোয়না য়াম্না হরাউই। মহাক্কী শান্নবগী অমদি কোচিংগী করিয়রগী এক্সপরিয়েন্স অসি য়েংলুরগা টেক্নিকেল দিরেক্টর ওইবা মতিক চাবা কেন্দিদেটনি। মহাক্না লুচিংদুনা ইন্দিয়ন ফুটবোলগী টেক্নিকেলগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি থাজে হায়খি।

জেনরেল সেক্রেটরি ডা. শজি প্রভাকরননা ফোঙদোকখিবদা, সাবির পাশানা ঐখোয়গী টেক্নিকেল ওফিসলগী চীফ ওইনা লৈরিবা ভিন্সেন্ট সুব্রমনিয়নবু লমজিং লমতাক্কনি অমদি মখোয় অনীগী মখাদা ঐখোয়না অকনবা টেক্নিকেল টিম অমা শেমগৎতুনা ইন্দিয়ন ফুটবোলগী মথংগী লেভেল 'ভিজন ২০৪৭' ফংবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

ঐখোয় হৌজিকথবককয়া তৌনবা মাংদা তাদুনা লৈরি। চৎকদৌরিবা লম্বী অসি অরাইবদি নত্তে অদুবু ঐখোয়দা থাজবা থম্বগা লোয়ননা ইন্দিয়ন ফুটবোলবু চাউখৎহনবদা নৎতনা অনৌবা ইরা অমা শেমগনি হায়না ডা. প্রভাকরননা মখা তাখি।

নীংশিংবা য়াবদি, সয়দ সাবির পাশানা অহানবা ওইনা ১৯৯৩ নেহরু কপতা নেসনল টিমদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা পূন্না মেটচ ১২ শান্নখি। মহাক ইন্দিয়ন ফুটবোলগী সর্কলদা মরু ওইবা গোল চনবা শান্নরোয়নি। মহাক্না ১৯৯৫ চেন্নাইদা শান্নখিবা এস এ এফ গেমসকী বাংলাদেশকা শান্নখিবা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী গোল চনবা ঙমখি। মহাক ১৯৯৩ নেহরু কপতগী হৌদুনা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট কয়া ১৯৯৫ নেহরু কপ, এস এ এফ এফ কপ, এস এ এফ গেমস; ১৯৯৬ এসিয়া কপ ক্বালিফায়র্স অমদি ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়র্সতা শরুক য়াখি।

মহাক ১৯৯৫ এস এ এফ গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবদসু ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াখি অমদি চহী অসিদা পাঙথোকপা এস এ এফ এফ কপকী রন্নর্স অপ তাখিবদসু শরুক য়াখি।

হান্নগী ৱিঙ্গর অসিনা ১৯৯৪ অমদি ১৯৯৮ অনীদা গোল্ডন বুট অনীরক ফংবা ঙমখি। ১৯৯৪দা গোল ৬ অদুগা ১৯৯৮দা গোল ৯ চনবা ঙমখিবনি। মহাক্না টামিল নাদুগী শান্নদুনা সন্তোশ ট্রোফিদা পূন্না গোল ২৬ চনবা ঙমখি। ক্লবকী লেভেলদা ইন্দিয়ন বেঙ্ক রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নরকখিবনি।

# ওর্লিন মাষ্টরস : সাইনা নেহৱাল, সমির বর্মা অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে; মঞ্জুনাথ, রাজাৱট মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে

ফ্রান্স, এপ্রিল ৫ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী এস শট্লর সাইনা নেহৱাল অমদি সমির বর্মা অনীনা ফ্রান্সকী ওর্লিনদা চত্থরিবা ওর্লিন মাষ্টরস টুর্নামেন্টকী ৱিমেন্স অমদি মেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মায়থীহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী মিথুন মঞ্জুনাথ অমদি প্রিয়ান্সু রাজাৱট মেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ষ্টার শট্লর সাইনা নেহৱাললনা মহাক্কী লম্বা টর্কিগী নেস্লিহান য়িগিটকী মখূৎতা ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখিবনি।





টুর্নামেন্টখরা শরুক য়াখিদ্রবা মতুং কোর্টতা হল্লকখিবী লন্দন ওলিম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনানা মিনট ৩৯ চুপ্না শান্নখিবা মেটচ অসিদা মহাক্কী টর্কিশ ওপোনেন্টগী মখূৎতা ১৬-২১, ১৪-২১দা মায়থীহৌখি।

অমরোমদা, মেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী মঞ্জুনাথনা দেনমার্ককী ভিক্টর এসভেন্দসেনবু ২৪-২২, ২৫-২৩দা অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা রাজাৱটনা মহাক্কী কোম্পেট্রিএট কিরন জোর্জপু ২১-১৮, ২১-১৩দা মায়থীবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

মঞ্জুনাথনা মথংগী রাউন্দগী মেটচতা চাইনিজ টাইপৈগী য়ু জেনগা লম্বা তৌনরগনি। রাজাৱটনা জপানগী তোপ সিদেদ কেন্টা নিশিমোটোগা অনীশুবা রাউন্দদা থেংনরগনি।

নিশিমোটোনা চাইনিজ টাইপৈগী চিয়া হাও লিবু ২১-১৮, ২১-১১দা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মায়থীবা পীরমখি।

অতোপ্পা মেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী এস শট্লর সমির বর্মানা আইরলেন্দগী নাট ঙুয়েনগী মখূৎতা ২১-১৯, ১৯-২১, ১৭-২১দা মায়থীহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌখিবনি।

# মিজোরাম অমদি পোন্দিচেরি দ্রো ওইখ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ৫ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা চত্থরিবা ২৭শুবা হিরো সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি অয়ূক হলদ্বানিদা লৈবা আই জি আই এস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেটচ অমদা মিজোরাম অমদি পোন্দিচেরি ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

মিজোরামগী জোনন্ট লুৱাঙ্গিনা অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা প্রবাভথিনা শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা পোন্দিচেরিগী ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা দ্রো ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা পোন্দিচেরিগী এস মিনাটচিবু শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

# অলেকসান্দর চেফেরিন অমুক হন্না লম্বা য়াওদনা য়ু ঈ এফ এগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ৫ (এজেন্সী):
পোর্টুগলগী লিসবোনদা য়ুরোপিয়ন ফুটবোলগী গভর্নিং বোদিগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্লবা মতুং মখা তাবা চহী মরি ২০২৭ ফাওবগী য়ু ঈ এফ এগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুনবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অলেকসান্দর চেফেরিনবু লম্বা য়াওদনা খনখ্রে।

চেফেরিনগী ওইনা য়ু ঈ এফ এগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুনবগী খনবা অসি অহুম্লকশুবনি। মহাক্কী অহানবা টর্মনা ফ্রান্সকী মিসেল প্লাটিনিনা তোকখ্রবা মতুং ২০১৬না ওইখি।

পোর্টুগলগী কোনুংদা পাঙথোকখিবা য়ু ঈ এফ এ কোংগ্রেস অসি ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফেন্টিনোবু লম্বা য়াওদনা খনখ্রবা মতুং চয়োল খরগী মতুংদনি।

য়ু ঈ এফ এ কোংগ্রেসকী হৌদোক ৱারোল পীরদুনা চহী ৫৫ শুরবা স্লোভেনিয়ন লোয়রনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না কৈদৌনুংদা ফুটবোলগী ফজবা, ফুটবোলনা ঐখোয়গী ইমোসনবু করম্না কন্ট্রোল তৌবা অমদি মীওই মিলিয়ন কয়াবু মখোয়গী সীটকী মতোন্দা করম্না ফমহনবা হায়বনচিংবা অসি কাউবা ঙম্লোই।

য়ুরোপিয়ন ফুটবোলগী তোপ-তোপ্পা মায় পাকপগী ৱারী লৈরি। ফুটবোলনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী মহুৎ শিল্লিবনি। মসিনি য়ুরোপিয়ন ফুটবোলগী ফজবা।

[illegible]

[illegible]

# বৃটিশ বোক্সর অমির খান দ্রগ টেষ্ট ফেল ওইবদগী চহী ২গী অথিংবা থমখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ৫ (এজেন্সী):
বৃটিশ বোক্সর অমির খানদা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সী (ৱাদা)গী অথিংবা পোৎলমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ওষ্টারিন সবষ্টেন্স থেংনবদগী য়ু কে এন্টি দোপিং এজেন্সীনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বোক্সর অসিগী মথক্তা মখল-মখা কয়াগী স্পোর্টসতা শরুক য়াদনবা চহী ২গী অথিংবা থমখ্রে।

মহাক্কী সেম্পল অসি হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা কেল ব্রুককা শান্নখিবা বাউটকী মতুংদা লৌহৌখিবনি।


মশাগী চহী ৩৬ শুরবা বোক্সর অসিনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১৯দা বৃটন ব্রুককা শান্নখিবা বাউট অমদা রাউন্দ ৬তা মায় পাক্লবা মতুং চহী অসিগী মে থাদা মহাক্কী রিটায়র্দমেন্ট তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবনি। অদুবু বৃটিশ বোক্সর অসিগী মথক্তা চহী ২গী অথিংবা থমখিবনা মরম ওইরগা ২০২৪গী এপ্রিল ফাওবদি রিংদা হল্লকপা য়াখিরোইদৌরি।

খানগী মথক্তা থম্বা অথিংবা অসি ২০২২গী এপ্রিল ৬তগী হৌখিবনি অমদি মথং চহীগী এপ্রিল ৫ ফাওবা চৎনগদবনি হায়রি।

য়ু কে এন্টি দোপিংগী ৱেবসাইটতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লদুনা ওষ্টারিন অসি টেসটোষ্টেরোনগা ইফেক্ট চপ মান্নবা দ্রগ মখল অমনি। দ্রগ মখল অসি হৌজিক-হৌজিক ৱর্ল্ড এন্টি দ্রোপিং এজেন্সীগী অথিংবগী লিষ্টতা য়াওরিবা এনাবোলিক এজেন্ট অমনি। দ্রগ মখল অসি মতম চুপ্পগী ওইনা স্পোর্টসতা অথিংবা থল্লিবা অমনি।

হান্নগী লাইট ৱেল্টর ৱেথকী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন খাননা মহাক এন্টি দোপিং রুলসশিং থুগায়রে হায়না য়াজবগা লোয়ননা থৌদোক অদু তৌগে হায়না তৌখিবা নত্তে হায়খি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 761**

**WFM Varvara Poliakova (1946) - CM Vladimir Mikhailovsky (2215)**
**Titled Tue 28th Feb Early chess.com INT (10), 2023.02.28**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 Nf6 | 2.e5 Nd5 | 3.c4 Nb6 | 4.d4 d6 |
| 5.exd6 exd6 | 6.Nc3 Be7 | 7.Be3 O-O | 8.Bd3 Nc6 |
| 9.Nge2 Nb4 | 10.b3 Nxd3+ | 11.Qxd3 Bg4 | 12.Nf4 Qd7 |
| 13.O-O Bf5 | 14.Qd2 Rfe8 | 15.d5 Bf6 | 16.Bd4 Bxd4 |
| 17.Qxd4 Re5 | 18.Nd3 Re7 | 19.Rfe1 Rae8 | 20.Kf1 Bg6 |
| 21.Nf4 Qf5 | 22.Nxg6 hxg6 | 23.a4 a6 | 24.f3 Nd7 |
| 25.Rxe7 Rxe7 | 26.Ne4 Qf4 | 27.Re1 Kf8 | 28.Qa7 Qxh2 |
| 29. ... | | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 760 Ans. :**

30. ...Qxf1+ The black queen captures White's rook, which was defending the square f2 and the square d1.
31. Rxf1 Nf2+ The black knight deflects White's rook away from protecting the square d1. Opening the line from d1 to h1. 32. Rxf2 Rd1+ 33. Rf1 Rxf1# Back-rank mate
0-1



HL-P/5805/3/3-9/4

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com